# ৱাখল মাঙড্রিখৈ চরা হেনগনি হায়রম্বদু, ৱাখল মাঙলব্রা খঙদে চাক চারনি, ভোট লেপ্পনি হায়রক্লিসিবু

— অমরজিৎ খাঙেম্বম —

**হোৎনবদা** ঙমদবা লৈতে হায়নবসু লৈ। ফম্বা কল্লগা ফম্মেল ফম্মী। মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নরিবা লাইরিক ইবা অইবা শিভ খেরানা *"নঙসু মায় পাক্কনি"* (You can win) কুমজা ১৯৯৮ দা পুথোক্তুনা মীয়ামদা পাঙ্গল থৌনা শক্তি পীদুনা মীওই কয়া অমা মায় পাকখ্রে। মহাক্কী লাইরিক্তা মপূং ওইনা থল্লিবা ৱাফমদি *"মায় পাক্লবা মীয়াম্না তৌনদবা থবক তৌরুবা নত্তে মখোয়না তৌথোক্লকপদা খ্বাইগা মান্নদবা মওংদা তৌরকপুনি"* (Winner don't do different things, They do things differently). অদুগা Edwin C,bliss লাইরিক ইবা অমনসু হায়রম্মী *"মায় পাকপা হায়বসিগী অর্থসি মায়থীবা অমফাওবা ফংদবা হায়বা নত্তে, মসিনা তাক্লিবসি পাল্লিবা অরোইবা পন্থুংদু ফংবা হায়বনি, ৱাহৈশিংগী অর্থসি লাঞ্জাও ওইনা মায় পাকপনি, লানফম খুদিংমক ঙম্বা হায়বা নত্তে"* (Success doesn't mean the absence of failures, it means the attainment of ultimate objectives. It means winning the war, not every battle). মথৌনা লৈবা, হোৎনবা কনবা হায়বসি মায় পাক্কনি হায়বগী ৱাফমনি। লমদম অসিসু মথৌনা মরিংজেল ফবী মীতৈ নুপী য়াম্না পোকচবী মণিপুর সনা লৈবাকনি হায়নরিনি। মাগী মাগী হীরম তোঙান তোঙাল্লবসু থৌনা ফবী চনুরা নিঙোল কয়া তরং তরং ঙান্দুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরক্তুনা পোক্লফম লমদম ইমাবু অৱাংবা থাক অমদা থম্বা ঙল্লিবনি। অরংবা থৱানমিচাক কয়াগী মরক্তগী অরংবা থৱান মিচাক অমা কেনগদবগী মমি শাম্বা হৌরক্লে। ওস্থোক্লা লাইবক থিবা ইরমদম অমগী মরাইবক। অরংবা থৱানমিচাক্তুম ঙান্নবা হোৎনবদা ৱাজখিবা ময়াম অদু অরেম্বা তাদুনা তোকপা তারব্রা? কদাইদগী হুল্লকপা শাহুমনো, কদোমদগী হৌরকপা ইথক ইপোমনো, অরুবা ঈচেলদগী অনৈবা ইচেল অমদা চোংথগে হোৎনরকপা মালেম অসিগী থৌনা ফবী কয়াবু লমখাংদা কেনখিদুনা মাঙখিবা তারবরা। লমদম অসিগী থৌনা ফবী অখাঙ কনবী মথৌনা ফবী কয়া থোক্লকপদা য়ুমথংনবনা করি ওইনা হায়খিনি। *তৌজা শারিসে য়েংঙু তল্লগা তোকচখ্রগদবা অসিবু"* শোয়দবা মিংথোল অমদি ফংহৌরনি। থৌনা ফবী কয়া লমজিংবিদুনা, থৌনা ফবী কয়া মশীং খঙদনা পুথোক্লিংদবা লমদম অসিগী মথৌনা ফবী মমোমলোইনি শোয়দনা হায়নখিবসু য়ারি। লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগী মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্টরদা চহী ১৬ লোম চরা হেন্দুনা তানখিবা মণিপুরদগী অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়খিবা নৎত্রা। মীয়ামগীনি হায়দুনা অসুক শাংনা চরা হেন্দুনা লাকখ্রবা মালেম্না মশক খঙলবা অৱাংবা খোঙজং অসিবু মীয়ামগী অমুক খন্দুনা করম্বা খোঙজংনো খোঙ থাংজিনবা হৌরক্লিবসি। ফনা ৱাংবা পোলিটিক্সতা চোংথরগসু অসুক মমল য়ামখ্রবা মীয়াম্না ৱাংনা থাঙ্গৎলিবা অৱাংবা থাক অসিবু য়ৌবা ঙমগদৌরিব্রা?

টার্ম মঙারক চীফ মিনিষ্টর ওইরসু রবিন্দ্রনাঠ টেগোর পিছ প্রাইজ ফংবদি ওইথোক্কদবা মান্দে। খ্বাংজু প্রাইজকা হায়সিবু ভোট কাহৌদ্রগা পীরকপা য়াবা এৱার্দলা। পোলিটিক্স তৌরগা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা হেক্তা মীয়ামগী অমদি শর্মিলাগী অপাম্বা অফস্পা ১৯৫৮ অসি লমদম অসিদগী লৌথোকপা ঙল্লগদ্রা। মণিপুরদা লৈরিবা এসেমব্লি সিট ৬০ অসিগী মনুংদা সিট অনী/অহুম ওইরসু অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোকপা পাম্বা মী য়াওরি অদুবু লৌথোকপদি ঙমদে। ভোট হায়দু কারগা হেক্তা ঙল্লদ্রা। শক্তি পায়দুনসু অফস্পা লৌথোকপা ঙমদনা অদুমক লৈবা য়াওরি। শক্তি পায়রগা খোঙজং চঙশিনবনা ফরনি হায়রগদি হৌজিক শক্তি পায়রগা লৈরিবা মীয়াম্না খোঙজং হৌদ্রিবগী মরম করি লৈবগে। নাগালেন্দগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা অফস্পা লৌথোক্লুবা হৌখিবা দিসিজন ফাওবা সেন্টর গভর্ণমেন্টনা মনা ফাওবা তাবিখিদবা লৈরি। লৈবাক অসিদা চৎনরিবা দিমোক্রেসিদা শক্তি পায়রগা খোঙজং মায় পাক্কনি খল্লুবা ইশাগী ইখোঙদা থাঙনা য়ানশিনজরিবা করিগীনো হায়না ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিনা শোয়দনা হংলক্কনি, করি হায়না খুমদৌরি। হৌজিক থৌনা ফনা লাউরিবা, খোঙলিবা অসিগুম্না খক লাউরুবা য়াদবা, ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিগী শক্তিদুনা কথোক্লুবা চিনবান শোয়দনা মেনখিনি। ভোট লেপ্পুরগা মায়থীহৌবদুগা, খোঙজং মায় পাক্তবগী মীয়াম্না অমদি মালেম অসিনা উৎপীরিবা মীনুংশি অদুগা চপ মান্নরক্কনি হায়বদি থাজবা ৱাৎলি। খোঙজং মায় পাক্লগা ভোট লেপকে হায়বা ওইরল্লবদি লমদম অসিগী এম পি মীহুৎ ওইনা ফাওবা মীয়াম অসিনা থাগৎলকপা ফাওবা য়ারিনি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইহৌদ্রবা বোক্সর মেরি কোম ফাওবা রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা নোমিনেট তৌখ্রিবদুনি। মদু মহাক্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক লৌখিবা অমদি নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল কয়াদগী গোল্ড মেদল লৌদুনা মালেম অসিনা শকখঙবিখিবা অদুননি। রিওদা ক্বালিফাই ওইহৌদ্রসু মমাঙদা মহাক্না ফংখিবা প্রাইজ কয়া অদুনা মহাকপু ইকায় খুম্নবা উৎলকপনি। আইরন লেদি ওফ মণিপুর মিংথোল ফংলবী অশুক থৌনা লৈরবী অমনা ৱাখল শোন্থরক্লিবা করিনো হায়বসিসু ৱারি। চরা হেনবা তোক্লগে ভোৎ লেপ্পগা এম এল এ ওইরগা অমুক য়েংলগে হায়রিসিবু মমাঙদা চরা হেন্দুনা ফংখিবা প্রাইজশিং অদু মখা তানা কনানা ইকায় খুম্নবিরক্কনি। ম্যান্মারদা দিমোক্রেসিগী ঈহৌ হৌরিবী ওং সান শু চিনা মিলিটরি লৈঙাক মুখৎনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা মায় পাক্লবা মতুংদা হৌজিক ম্যান্মারগী নুপীগী অহানবা ফোরেন এফ্যেরস মিনিষ্টর ওইদুনা লৈরি। হান্না মিনিষ্টর ওইগে খনখিদে খোঙজং মায় পাক্লবা অখাং কনবী অমগুম হোৎনখিবা ঙাক্তনি। অদুনা মালেম অসিনা মহাকসু মথৌনা লৈবী মীয়ামগী মনুংদা খোঙজংলোই অমনি হায়দুনা শোন্নরি। মায় পাকপা পাক্তবা লেপখিবা ফিরেপ অদুদা লেংদনা অসুম লৈবা তারগদি মালেম অসিনা হৌজিক খঙলিবা অসিদগী হেন্না ময়েক শেংনা খঙলকপসু য়ারি।

অমরোমদা ওং সান শু চিনা শর্মিলাদগী করিসু হেন্না খোঙজং চঙশিনবা নত্তে হায়বসু য়ারি। ৱর্ল্ডদা খ্বাইদগী শাংনা চরা হেনবা ঙল্লিবা শর্মিলানি। মখা তানা খোঙজং চঙশিনবা চঙশিন্দবদি ঙাইবু ঙাইখো মালেম অসিদা খ্বাইদগী শাংনা চরা হেল্লগা মায় পাকপা ঙমদনা চরা হেনবা তোকখিবা অমা থিরকপদা শর্মিলানি হায়খিনি খনবদা পূক্লিংদা ৱাজৈ। অদুনা মখা তানা কনাগুম্বনা মীয়ামগীদমক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপদা মালেম অসিনা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কয়া লুম্না লৌরক্কদবা মান্দে। মালেম অসিদা লৈরিবা সোসিএল এক্টিভিষ্ট, লূপ কয়ানসু উননিংবগী অপাম্বা অদু থাদোক্তুনা লিন্না মখুন চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বদু তাদুনা তোকখ্রগদবা খোঙজং ওইনা উহনবীবা অসিগী কান্নবা করিনো। মায় পাক্কনি-পাক্লোই হায়বা খঙদ্রিঙৈদা চহী ১৬ লোম চরা হেন্দুনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপবু পাক্কদবা মান্দে হায়দুনা মাঙজৌননা মেন তাদ্রিবা ৱারেপ অমা খুদক্তা লৌশিনবসিবু অচুম্বা খোঙথাং অমা ওইদৌরিব্রা। মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা কুমজা কয়া, লাঙোল কয়া নোংজু নুংশা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লগা মণিপুরগী মুৎনাইদ্রবা ময়েক লানা লৈহৌরগদবা পুৱারী অমা ইবা হৌরুরগা লমখাংদা লম্মাংনবগী ফীভম ওইহৌবা তাবনি।

অমেরিকাগী ন্যু য়োর্ক সিটিদা পোকখিবী কুমজা ১৯৮০ দা প্রসিদেন্সিএল মেদল ওফ ফ্রিদমগী মনা ফংখিবী Beverley Sills না হায়রম্বা অমা নিংশিংলকই *"করিগুম্বা থবক অমা ঙমদবদা, মায়থীবদা নহাক নীংবা কায়বা য়াই, অদুবু নহাক্লা থবক্তু তৌনবা হোৎনরুদ্রবদি নহাক শিবগা পাঙ্খকনি"*। হিংনা হিংনা শিবদুদি শিখ্রবা মতুংদা অহিংবা অমগুম তুংগী মীরোলনা ঙাঙনহৌবা, শোন্নহৌবা অদুনা হেন্না মমল য়াম্মী হায়নীংই। ঐখোয়গুম্বা মীয়ামগী করিসু তৌবা ঙমদবা হিংনা হিংনা শিরে হায়রসু নুংঙাইতবা লৈতে। শর্মিলাগুম্বা মীয়ামগীদমক্তা মমল য়াম্লবা মালেম অসিগী লৈবাক কয়ানসু শক খঙবিরবা অমা হিংনা হিংনা অশিবা ওইনা উবিবদি থৱায়সি প্রোক প্রোক চাকপা মখৈ নুংঙাইতে। নুংশিরবা মহাক্কী ৱারী কয়ানা ঙসি ফাওবা নাকোং শিংজা য়ৈদুনা লৈরি। কুমজা ২০০০ গী নবেম্বর ২ দা নুপী য়াওনা মীচম তরা মালোমদা আসাম রাইফলসনা হাৎখিবা থৌদোক অদুদগী চহী অদুগী নবেম্বর ৫ দগী মণিপুরদগী অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়না চরা হেনখিবা নুমিৎনি। নুমিৎ অদুদা শর্মিলাগী পোকপী মমা শখিনা ইচানা নীংলিবা পান্দম অদু ফংলগা য়ুমদা হল্লকউ হায়না য়াইফ থৌজালগা লোয়ননা য়ুমদগী থোক্লকখিবনি। পান্দম অদু ফংলবা মতুং অপোকপী মমানা ইনবা চাক চাগনি হায়দুনা ৱাশকখিবনি। ৱাহৈ অসিননি মণিপুর মীয়াম, ইমা ইবেল কয়ানা মমা মচাগী মণিপুর মীয়ামগী থৱায় কন্নবগীদমক্তা পুকমেন পাউমেন্নজবা ৱাহৈ অসি তারগা থম্মোয়দা ফুমদুনা থম্বা ঙমদনা লমদম অসিগী মমা ওইবী কয়াগী মীৎস্না থম্বাল অনীদা পিগী ইরা চেনখিদবা য়াওরল্লোই? মহাক্কী মথৌনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা কিনখ্রিবনি। আইরন লেদি ওফ মণিপুর মিংথোল ফংদুনা অখাংকনবী ওইদুনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকখিবা মমল য়াল্লবা মনা অসি নত্তে ঐনা পাল্লিবদি মণিপুরদগী অমুবা আইন অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোকপা পাম্মী শর্মিলানা হায়খিবদু ঙসিদি এক্ট অদু লৌথোক্লুব্রা? ঐহাক্কী পান্দম অসি ফংদ্রিবা মখৈ চরা হেনগনি, ৱাখল মাঙলবদি মাঙখ্রে, ৱাখল লৈরিঙৈদা পুলিসনা ফারবসু চরাদি অদুম হেনখিগনি হায়রম্বদুনা ঙসিদি মীয়াম্না থাজরুদবা ৱাফম অমা ভোট লেপকে, চাক চারনি হায়রক্লিবা অসিবু ৱাখল মাঙলকপা হায়দু ওইদোইরা।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদ্দম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## হিয়াংলম কেন্দ্রসিদা তুমিৎ ফাওবা পাইরদ্রে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**থৌবাল** দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম কেন্দ্রগী মনুংদা সেকমাইজিন্দগী অৱাং নোংমাইখোং, লফুপাৎতেরা, কোনুমা, সেকমাইজিন খুনৌ এরিয়াগী লম্বী খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা ফত্তবনা লমদমসিগী মীচম মীয়াম, মহৈরোয় অমদি অনা লায়েংগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা চাউনা খুদোংথিবা মায়োক্লরে।

হায়রিবা লম্বী অসি মমাঙগী চহীশিংদা কোয়লাস থাবা কুইখিদ্রিবনি। পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লৈবা লম্বীসি কয়ারক হন্না কোয়লাস থারবসু শুরিবা থবকশিং ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবনা হৌজিক্তি ঙা ফাওবা য়োকপা য়াবগী থাক্তা লৈরে। মমাঙ চহী ২০১৪ গী ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সন্দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর মশামক মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং, এম পিশিং য়াওনা হিয়াংলম কেন্দ্রগী মফম পুম্নমক্তা অহিং নুংথিল খঙদনা কোংগ্রেসতা ভোট পীয়ু, হিয়াংলম কেন্দ্রদি পুমলং লংহনগনি হায়বীরমখিবশিং হৌজিক্তি মফমসিদা তুমিৎ ফাওবা পাইরদ্রে।

মরু ওইনা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি কেন্দ্রগী মিহুৎনা পঞ্জাও পুবদগী য়েংশিনবা ঙমদ্রবসু মাগী ৱার্করশিংনা কেন্দ্রসিগী অৱাবা তারীবশিংগীদমক্তা মতম মতমগী থবকশিং তৌনবা হোৎনবদি লায়রদনা ৱাহৈ অমা ফাওবদা হায়দবসিদি ঙক্তবা ঙমদে। ইলেক্সন ময়া য়ৌরকপদদি শিবা নাবা খঙদনা ওইদা পাদা কয়াশিং হায়জিন্দুনা ভোট খোম্নবদি তোকপা য়াদে খন্দুনা হোৎনরক্কনি। ভোটতা হায়খিবশিং থবক্তা ওস্থোকপা ঙল্লোইদৌবশিংনা ভোট খোম্বা থোকপীরক্কনু, লৈকায়দা নুংশিনদবা, খৎন-চৈনবা থোরক্কনি। মসি পূম্ন মকশিং থোকহল্লোই হায়রবদি হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লা থবক তৌবা মথৌ তাই।

*কোন্থৌজম মনিহার সিংহ, সেকমাইজিন খুনৌ*

## ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী চেঙ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরদা** ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট হৌখিবা এপ্রিল থাদগী চৎনরে হায়দুনা মফম অয়াম্বদা চেঙ ফংই-ফংদে, শুই-শুদে হায়দুনা পাউচেগী থোঙদা পেন্দবা ময়াম অমা মরী লৈনবা মন্ত্রিগী কেন্দ্রদসু থেংনজরে। মসিবু কমদৌবিরিবনো? ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি মণিপুরগী চেঙ মেট্রিক টন ময়াম অমা পীখ্রে হায়। কদায়দা থম্বীখ্রবনো? এম এল এগা, মন্ত্রিগা, এজেন্টগা মান্নরগা লোইথোকখব্রা? মীচম মীয়ামগী চাকথুংবু মৎপা লৈঙাক করম্বা মখলগী লৈঙাকনো? কোংগ্রেস লৈঙাক্কি হায়রোইদৌবগী মরম লৈব্রা? উনা-উনা, তানা-তানা, খঙনা-খঙনা খঙশিন্দ্রবা লৈঙাক, ফংগে-ফংউ, ফংলোই-তোকউ ঐগী লৈঙাক কায়দ্রগা লোইরে অসিরা। মতমসু কুইশিল্লক্ত্রে। চহী ১৫ ফাগদবা। পায়বা য়াবা পায়হৌরসনু, ফংবা য়াবা ফংহৌরসনু হায়রিব্রা? মীচম মীয়ামগী করিমক্তা খন্থদব্রা? অসুম তৌরগা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী ফল ফগনি খনবীরিব্রা? ভোটতি মীচম মীয়ামগী খূৎতা লৈবনি। থাগী তোলোপ ফংলিবা নখোয়না তোলোপসু ফংদবা লায়রবা মীচম মীয়ামগী চাকথুংবু মৎলগা/পীদ্রগা নুঙাইগনি খল্লিবা নৎত্রা। অতোপ্পা রাজ্যদা ফজনা তৌরগা মণিপুরদনা করিগী ঙমদ্রিবনো? পুকচেল শেংবা ৱাৎপগী খুদমনি। পুকচেলবু শেংনা তৌরবদি ঈশ্বরনসু মতেং পাঙই। মীচম য়াওদনা নিংথৌ লৈবা য়ারোই। খুন্নাই অমা লিংবদা মীচম মীয়াম মথৌ তাই। নুঙাইহনগদবনি, ৱাহনগদবা নত্তে। ঐখোয়গীদি ৱাহনবনি। চেঙদা, থুমদা, চিনিদা, হৱাইদা, থাউদা করি মতৌনো? নুঙাইবগী পাউগী মহুৎতা অৱাবা নুঙাইতবগী পাউ ঙাক্তা। মসিনা মণিপুর চাওখৎপা ঙমগদৌরিব্রা? মীয়াম্বু নুংঙাইহনবদু নৎত্রা চাওখৎপা হায়বদু। ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট লাকপদা মীয়ামদি অহোংবা মমলদা চেঙ ফংলগনি, নুঙাইরগনি হায়না খঞ্জরম্বনি। অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ওইনা থোক্লে। ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট লাকপদগী চেঙ ফংদ্রবনিনা দুকান্দা চেঙগী মমলসু অতিয়া পক্লা ৱাংখৎখ্রে।

অরোইবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীচম মীয়ামগীদমক্তা পীথরক্লিবা চেঙশিং শুনা ফংহনবীদুনা ফুদ সেক্যুরিটিগী কান্নবা ফংহনসি। মণিপুর চাওখৎপা নুঙাইবা ওইহনসি। খুবাক ময়ায়দা শগুন তৌরোইসি। মীপুম খুদিংদা কার্দ পীদুনা চেঙ ফংহনবিয়ু। ঙাইবদা ৱানরে। লৌশিনবতা হৈবীগনু, য়েন্থোকপসু হৈবীয়ু। পূম্নমক অসিদা লৈঙাক্কী মিৎয়েং মথৌ তাই।

*অদোমগী- থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ, খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

## পরম চুম্না চেঙ য়েন্দ্রে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লমশাং** এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চননা লৈবা লমশাং নগর পঞ্চায়েট ৱার্দ নম্বর ২ দা ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী চেঙ য়েনবদা পরম চুম্না চেঙ য়েন্দ্রে। লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৱার্দ নম্বর ২ গী এম এল এগী ৱার্কর ওইরিবা মীওই অমগী য়ুমগী থোঙ্গালদা মশামক্লা ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী চেঙ য়েনবদা কেজিদা ওনবগী মহুত্তা কৌতাদা ওন্দুনা বিনিফিসরিশিংদা চেঙ পীবিরে। বিনিফিসরিশিংগী কার্দতা ইমুংগী মীশিং শুনা হাপ্পীদবনা মশীং শুনা চেঙ পীবিদ্রে। বিনিফিসরিশিংগী কার্দশিংদা জুলাই ২৭ তা য়েনবা চেঙবু এপ্রিল থাদা চেঙ য়েল্লি হায়না খূৎয়েক পীরকপা অসি ঙক্তবা ঙমদে। মে, জুন, জুলাই থা অসিগী চেঙ নমশিন্দুনা মাঙহনখিদরা হায়বসি অকিবা পোক্লে। ৱার্করশিংগী চিন্দা খোইহি তৈদুনা অরানবা ৱাহৈ পরেংনা মীয়াম থেম্বগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা লমশাংগী মীয়াম খঙহন্নবা মিদিয়াগী থোঙদা মরীক চুম্না ফোঙদোকপীয়ু।

নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট অসি চৎনদ্রিঙৈদগী পি দি এসকী পোৎলমশিং ফংদুনা লাকপা বি পি এল কার্দ হোলদর ইমুংশিংসু চেঙ কেজি ৩৫ ফংগদবদা শুপ্নতগী কেজি ২০/২৫ দমক ফংদুনতা লাকখি। অদুসু থা ১২ ফংগদবদা থা ৮/৯ দগী হেন্না ফংখিবা নত্তনা এজেন্টশিংনা কার্দ হোলদরশিংগী কার্দতা থা ১২ মক চেঙ ফংই হায়দুনা খূৎয়েক পীরক্লবা ফাওবা লায়রবা মীচম মীয়াম্না খরতবু ফংলদি খন্দুনা এজেন্টশিংগী মথক্তা য়েৎপীদনা লাকখিবা ঙাক্তনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চিঞ্জাক্কী অৱাবা কোক্লবা য়ূমথোং খুদিংগী মীশিংদা চেঙ কেজি ৫/৫, কেজিদা লুপা ৩ দা ফংহন্নবা হৌদোকখিবা ফজরবা মীয়াম্না পাম্নরবা এক্ট অসিবু মপূং ফাহন্নবা পোলিটিক্স তৌবা মীওই খুজোক খরগী মীহুৎ অমসুং ৱার্করশিংনা চেঙ, কেরোসিন, চিনি, আটাদা পোলিটিক্স তৌবা তোকপীদুনা ফংহনফম থোকপা পোৎলম শুনা বিনিফিসরি খুদিংমক্তা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু।

ফুদ সেক্যুরিটি কার্দ শাবদা এম এল এগী ক্বার্টরদা ৱার্কর খুজোক খরগা পুল্লগা ভোটর লিষ্ট য়েংলগা শাবনা মরম ওইদুনা বিনিফিসরিশিংগী ইমুংগী মীওই মশীং শুনা ফংদবনি। ভোটর লিষ্ট য়েংলগা শাবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা ভোটর লিটেতা ককত্রিবা মীওইশিংবু বিনিফিসরি ওইনা হাপচিনবা অসিমকসু তোকপীদুনা কাউন্সিল্লর, প্রধান, মেম্বরশিংদা থবক শিন্নবিরবদি অসিগুম্বা প্রোব্লেম অসি থোক্লমল্লোইদবনি। মখা তানা অরানবা থবক অমুক হন্না চত্থরক্লবদি লমশাং নগর পঞ্চায়েট ৱার্দ নম্বর ২ গী মীচম মীয়াম পূন্না থেংনমিন্নবা শেম শামিন্নরসি।

*অদোমগী - সাইরেম অবেচা দেবী*
*ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লমশাং নগর পঞ্চায়েট, ৱার্দ নম্বর ২*

## কন্সটিট্যুসনবু ফোংনা শীংনবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

লৈবাক অসি কুমজা ১৯৪৭-৮-৬৫ দা বৃটিশ লৈঙাক্তগী নীংতম্বা ফংখিবনি। নীংতম্বা ফংবগা ডা ভি আর অম্বেদকরনা চিয়ার লৌরগা কন্সটিট্যুসন শেম্নবা কমিটি অমা শেমদুনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াগী কন্সটিট্যুসন কয়া নৈনদুনা কুমজা ১৯৫২ দা ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা কন্সটিট্যুসন অসি মথৱায় হাপখিবনি। মণিপুরদা কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা অমদা মপান্দা ইস্যু কয়া ঙসি ঙসিমক থোক্লি। মসিদা আই এল পিগী ইস্যু অসিসু অমনি হায়নিংই। ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসন কয়ারক অহোংবা লৈখ্রে, অহোংবা কয়াসু লাকপা য়ারি। মরমদি মতমগা চূনবা অমসুং মীয়াম অমগা চানবা নিয়ম চৎনবা হায়বা অসি মালেমগী চৎনরোন্নি। অদুনা ইস্যু অসিগী মতাংদসু ইন্দিয়ানা মণিপুরবু য়াম্না হকচিন্না লৌরবদি কন্সটিট্যুসন দা থৈজিন্দুনা থল্লিবা অসি করিসু নত্তে। আই এল পি ইস্যু অসি মণিপুর অপুম্বা মৈ হৌরবা মফম খুদিং নোংমা কাংদনা ০ দগী ৯ ফাওবা নৈনদুনা লৈরিবনি। মসিদা জুনগী তাং ২৫-২০১৬ দা ইকাই খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েত্তা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্কী অপুনবা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রবনি। মসিদা মণিপুরী মচা অমা ওইনা পোলিটিক্স তৌদুনা লমদম অসিগী অৱা-অনা কয়াদা অরুম্বা থৌদাং কয়া পুগনি হায়দুনা লিংখৎলিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীফম অসিদা য়াওদনা লৈহৌবা হায়বা অসি ঐখোয় পুম্নমক্ল খরা খন্থবা মতম ওইরে হায়না লৌনিংই। মসিগী মতাংসিদা লমদম অসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা করিগুম্বা মত অমফাওবা মিদিয়াগী খুথাংদা নৎত্রগা মখল অমদা ওইবা য়াই পীরক্ত্রিবা অসি করিগীনো? মসি মনুংদা করিনো অমা ইরৈ লৈবগুম তৌই। মসিদা য়াওদনা লৈহৌবা হায়বা অসি তোঙানবা কম্যুনিটি অমগী য়েংলগা লিংখৎপা পোলিটিকেল পার্টিনি হায়দবা য়াগদ্রা?। লমদম অমদা লিংখৎপা পোলিটিকেল পার্টি অমা হায়বসি লমদম অসিগী কম্যুনিটি খুদিংগী অফ-ফত্ত পুম্নমক পুরগা লৈবাক্কী থৌগল তৌগে হায়বা নত্তবরা? মণিপুর তোঙান-তোঙানবা চীংগী কম্যুনিটি ৩০ হেনবা তম্মী অমদি মৈতৈ পাঙল কয়ানা পুল্লগা শেম্বা লমদমনি। কম্যুনিটি অমখক্কী য়েংলগা তৌবা পোলিটিক্স ওইরবদি মখোয়না মেজোরিটি ওইদুনা লৈঙাক পায়রবদি মীয়াম করম তৌবা তাবগে? ৱাহং অসি কন্না নৈনবা অমা চঙদব্রা? ৱাফম অমা খন্নবদা অপাম-পামদা মত ফোংদোকপা অকায়বা করি লৈ? নৎত্রগা ইচিন-ইনাওশিংনা তাল্লিবা দাবী অপুম্বা ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ঙাক্তনি, কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা মখোয়গী দিমান্দ তৌদে। অদুবু কম্যুনিটি অমখক্কী য়েংলগা পোলিটিকেল পার্টি লিংখৎলগা মদুনা ফোংনা লৈঙাক পায়দুনা লৈবাক ঙাক্কে হায়রবদি মদু কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদনি হায়বা ঐখোয়না লৌফম থোকই।

নেসনল হায়ৱে কয়াদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৎতনা তৌদুনা মণিপুর মীয়াগী চাকখাউথদৎপা অসিবু কন্সটিট্যুসনবু ফোংনা শিংনবা নত্ত্রা? কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা লিংখৎপা পোলিটিকেল পার্টি অমবু সি ঈ সি আইনা করম্না অয়াবা পীফম থোকপগে অমসুং মতৌ করম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শৌগৎফম থোকপগে? অদু ওইরবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ তানবা শীল্লগা মণিপুরগী অপুনবগী পাঙ্গল পূম্বা তপ্না তপ্না লৌথোক্তুনা অঙাওবা জঙ্গলগী শামু লমশাবু তেহন্নবা হোৎনবা মতমদা অহানবদা মখোয়গী মপাঙ্গল লৌথোকপগুম মণিপুরদা শীজিন্নরবদি লমদম অসিদি করি ওইফম থোকপগে ? মসিবু মণিপুর নুংশিবগী খুদল্লা? নোর্থ ইষ্ট পোলিসী লূক ইষ্ট এক্ট অসিবু মণিপুর কায়নবা পোলিসীরা? ঐখোয়না আইন লৈ হায়বসি খঙদবগুম তৌই। অদুনা লৈবাক্কী আইন হায়বসি মীয়ামগী মশা কঞ্জনবা অমত্তা ঙায়রবা লম্বীনি । মসিদা করিগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি খঙদে, মীয়াম মরক্তগী খঙদে আইন লৈ হায়বা খঙনবা আইন পায়বশিংনা ময়েক শেংনা উৎকদবনি। খুঙ্গং অমদা নুপা অমনা মশাগী নুপী শোয়বদগী ওইরো, অতম্না ওইরো ফুব্বদগী শিরে অদুবু লৈবাক ঈরাং হৌরগা বন্দ তৌরগা কান্নবা করিনো? মসিবু আইন লৈতবরা? কম্মান্দো এস আই অমনা লৈশাবী নুপীমচা অমা নুংশিনবগী নামাদা মাগী নুপী ওইনা লোয়নরে। ময়ুমদা নুপী অঙাং লৈবনিনা নুপী অদু লৌশিনবদি ঙমদ্রে অদুদগী নুপীমচা অদুগা নিংঙাই শংদানদুনা উশিৎ থওইদবা কয়া উৎপীদুনা নুপীমচাদু মথন্নতা শিজরে। পুম্নমক অসি আইনগী মিৎয়েংদা চুমদে। অদুনা আইনগী থবক খুদিং অথুবা মতমদা পরম চুম্না লৌখৎপীরবদি মীয়ামগী অপাম্বা মোব জষ্টিস লাকপা ঙল্লোই । আইন হায়বসি ৱায়েল কাটিনি মসি মিচং শঙ্গ, লায়র-ইনাকখুনবা খায়দে, অচৌবা মী, অপীকপা মী থিদে। মসিদি অচুম্বা ৱায়েলনা মচিন য়াম্না তুম্না অরানবা থিবনি খঙহনফম থোকই। মরম অসিনা ঐখোয়গী মীয়াম্নসু বন্দ নৎত্রগা ষ্ট্রাইকসি উপায় লৈত্রবা খ্বাইদগী অরোইবা ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়নিংই। মসিনা মরু ওইনা শোকহল্লিবা অসি মহৈরোয় খুন্নাইদা অমদি নোংমগী চারা থিজরিবা লৈত-লায়র মীওইশিংদা য়াম্না শোকহল্লি। অদুনা মসি মখোয়গী হক মৎপনি, আইন থুগায়বনি। চহী অমদা নুমিৎ ২৫০ হেন্না বন্দ তৌরবদা মহৈরোয়গী একাদমিক এটমোস্ফিয়ার করম্না থম্বা ঙমগনি। অদুগা ঐখোয়না বন্দ তৌবা তারবসু য়ারিবমখৈ মহৈরোয় য়াওহন্দনবা হোৎনবীগদবনি মসিনা তুংদা অফবা খুন্নাই অমগী আশা তৌনিংঙাই লৈ। মহৈরোয় খুন্নাইদা শোকপা হায়বসি হয়েংগী লম্বী মুখৎপনি। পুম্নমকসি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৈবা ঙাক্তনি অদুনা ঐখোয়গী লমদম অসিদা মীয়ামগী থৌগাই পাঙগে হায়না পার্টি লিংখৎতুনা থবক কয়া তৌরবসু আইন লৈ হায়বা খঙফম থোকই অমসুং মদু খঙনবা আইন পায়বীরিবশিংনসু মীয়ামদা মসিগী মপুং ফানা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবা ফৈ হায়না থমজগে। মদু নত্তদুনা তৌনিংবা তৌবা, ঙাঙনিংবা ঙাঙবা অমসুং আইন লৈতবগী মওংদা লৈরবদি ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসন মুখৎপনা ফরে হায়নিংই।

*অদোমগী - ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি, ককচিং খুনৌ মখা হায় স্কুল*

### মরোল থোকপা লাই

